# জেলশিং কোম্নবা ইলিজিবল প্রিজনর খূদিংমক থাদোক্নবা সুপ্রিম কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ০৮ (এজেন্সী):
মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী ফিভম লুশিল্লক্লিবসিগা মরী লৈননা থাংজ নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা লৈবাক অসিগী জেলশিং কোমহন্নবগী দিরেক্সন খরা পাস তৌখিবগা লোয়ননা পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা মমাঙগী চহীদা বেল নৎত্রগা পেরোল পীখ্রবা প্রিজনর খূদিংমক খূদক্তা থাদোক্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

চীফ জষ্টিস এন ভি রামানানা লুচিংবা অমসুং জষ্টিসশিং এল নাগেশ্বরা রাও অমসুং সুর্য়া কান্ত য়াওবা বেঞ্চ অমনা হায়, মমাঙগী ঐখোয়গী ওর্দরশিংগী মতুং ইন্না পেরোল পীখ্রবা ইনমেটশিং পেন্দমিক অসি লাকশিনবদা মতেং ওইনবা অমুক হন্না নুমিৎ ৯০নি পেরোল পীগদবনি।

এক্যুজশিং মখূৎ পায়দুনা পুবা মথৌ তারিবা পুলিস পর্সনলশিংদা ভাইরস চঙলকপা য়াবগী খূদোংথিবা লৈরিবসি য়েংদুনা হৌজিক্কী কোভিদ-১৯ লায়চৎ মনুংসিদা প্রিজনরশিং হেন্দকফ চনবা অসি কোমথোকপীনবা এটোর্নি জেনরেলনা হায়জখিববুসু টোপ কোর্ট অসিনা পনখি।

অমসুং থবক তৌরিবা পুলিস পর্সনলশিং অনীমক্কী হকশেল অমসুং হিংবগী রাইটকী ৱাফম লাকপদা জেলশিং কোমহনবা মথৌ তাই হায়বসি ঐখোয়না খঙহনবা পাম্মী হায়না বেঞ্চ অসিগী ওর্দর অদুদা পনখি।

ইন্দিয়াগী জেলশিংদা ইনমেট লাখ ৬ হেন্না লৈ। জেল খরদি মশাগী কেপাসিটিদগী য়াম্না হেন্দোক্লগা ইনমেটশিং থল্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা জেলদা লৈরিবা ইনমেটশিং

বেঞ্চ অসিনা মখা তানা হায়, এদমিনিষ্ট্রেসন্দা ট্রান্সপরেন্সি লৈহনবা অসিনা পেন্দমিক অসি থেংনবদা য়াম্না খুদোংচাহল্লি। কোর্ট অসিগী ওর্দরদগী শেমখিবা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী হায় পাৱর্দ কম্মিটিশিংনা মমাঙ চহীগী মার্চতা

বেলদা থাদোকপা য়াহনখ্রবা প্রিজনর খূদিংমক থিন্থবগী ফিভম লৈহন্দনবা ঐচ পি সীশিংনা অমুক হন্না খন্নবা তৌদনা মান্নবা রিলীজ পীগদবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়না দেল্লীদা চৎনরিবা থৌরাংদা মীৎয়েং চিংশিনবা পাম্মী। দেল্লীদা জেলদা ইনমেটশিং লৈরিবসি ৱেবসাইটশিংদা অপদেট তৌই। অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসি অতৈ ষ্টেটশিংনসু খন্নবা মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা হায় পাৱর্দ কম্মিটিশিংগী ৱারেপ খূদিংমক ষ্টেট লিগেল সর্ভিস

ওথোরিটিশিং/ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং/হায় কোর্টশিংগী ৱেবাইটশিংদা ফোঙবা মথৌ তাই। মসিনা ঈ-পাউ নীংথিনা খঙবা ঙমহল্লি হায়না টোপ কোর্ট অসিনা মসিগী ওর্দরদা হায়খি।

হায় পাৱর্দ কম্মিটিনা ইনমেটশিং ইনৌ নৌনা থাদোকপগী ৱাফম খন্নবগী মথক্তা কুমজা ২০২০গী মার্চ ২৩দা পাস তৌখিবা ওর্দরনা থাদোক্নবা খঙহনখ্রবা ইনমেট খূদিংমক মরম চাবা কন্দিসনশিং থল্লগা খূদক্তা থাদোক্কদবনি হায়না টোপ কোর্ট অসিনা মখা তাখি।

# ময়াৱাতিনা কেজ্রিৱাল চৈখ্রে

লক্ষ্ণৌ, মে ০৮ (এজেন্সী):
দেল্লীগী অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী থৌওংদা য়ানীংদবা উৎলদুনা থাংজ নুমিত্তা বাহুজন সমাজ পার্টিগী চীফ ময়াৱাতিনা হায়খ্রে মদুদি কেজ্রিৱালনা মাইগ্রেন্টশিং দেল্লীদগী চেন্দনবা আপীল তৌখিবা মমাঙ চহীগী দ্রামা অদুমক হন্দকসু মহাক্না চত্থরি।

থাংজ নুমিত্তা থাগৎপা ত্বিটর পোষ্ট অমদা ময়াৱাতিনা হায়, দেল্লীগী সী এমনা শুপ্নগী খূৎ লোন্নরগা মীয়ামদা দেল্লী থাদোক্তনবা হায়রি। মসি মমাঙ চহীদা মহাক্না তৌখিবা দ্রামাদুমক্কি। অসুম্না তৌবা অসি মহারাষ্ট্রা, হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবতসু উই। হৌজিক মাইগ্রেন্টশিং পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদগী চেন্থোক্লরি। মসি অৱাবগী মশক্কি।

ময়াৱাতিনা মখা তানা হায়, ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা মাইগ্রেন্টশিংগী মথৌ তাবশিং মতম চানা য়েংশিনবীদুনা মখোয়দা থাজবা পোকহল্লবদি মীওইশিং অসি মখোয়না লৈরিবা মফমশিং থাদোক্লোই। হৌজিক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী অশোয়বশিং কৃপশিন্নবা দ্রামাগী থৌওংশিং চত্থনরি। মখোয়গী থৌওংশিং খঙনরে।

পরিং নাইনা থাগৎপা ত্বিটশিংদা মহাক্না লায়রবশিং, দলিতশিং অমসুং ট্রাইবেল মীয়াম্বু ভেক্সিন লেম্না কাপ্নবসু আপীল তৌখি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শেল-থুম তানবগী থবক ইনখাংশিং শুবদা অথিংবা কয়া লৈরিঙৈ মতমসিদা শোত্থরবা মীওইশিংদা শেলগী মতেং পীনবসু মহাক্না তকশিনখি।

# কোভিদকী থৌরাংশিংগা মরী লৈননা মোদিনা মহারাষ্ট্রগী সী এম থাগৎখ্রে



মুম্বাই, মে ০৮ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাংজ নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর উধাব থাক্রেদা ফোন তৌরক্তুনা মহারাষ্ট্রনা কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়না ষ্টেট ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱারী শানবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা কোভিদ লাইচৎ থেংনবদা থাক্রেনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং থাগৎপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ নীংথিনা থেংনৈ হায়না ওবজর্ভ তৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু থাগৎলদুনা হেক হৌবদগী ষ্টেট অসিনা কোভিদকা লান্থেংনরকপদা মহাক্কী গাইদেন্স য়াম্না কান্নখি অমসুং মহারাষ্ট্রনা পীখিবা সজেসন খরসু সেন্টরনা লৌখি হায়না থাক্রেনা ফোঙদোকখি।

ৱারী শানবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরদুনা থাক্রেনা ওক্সিজেনগুম্বা মরু ওইবা মচাক মথুমশিংগী মতাংদা সেন্টরগী মায়কৈদগী অহেনবা মতেং নীখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরদা ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ থেংননবা লৌখৎলিবা থৌরাং তমখি।

লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ শন্দোকপা হৌখিবদগী অপূনবা কেস ৪৯,৯৬,৭৫৮কা লোয়ননা মহারাষ্ট্রনা খ্বাইদগী হেন্না ফিভম থীনা শোকপা ষ্টেট ওইরকখি। ষ্টেট অসিগী অপূনবা ইনফেক্সন মশিং অসি টর্কিগী অপূনবা কেস মশিংদগী হেল্লি। হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিদা লৈখিদবা ষ্টেট অসিগী মীশিং ৭৪,৪১৩ শুরে। হৌজিক এক্টিভ কেস মশিং ৬,৫৪,৭০০০গী মথক ওইদুনা ফ্রান্সকী অপূনবা এক্টিভ কেস মশিং ৮,২৩,৮২৫গা চাংদম্নবদা খরা হন্থরি।

# জেলাটিন ষ্টিক পোকখায়বদা মীওই মাপল শিরে



অমরাবাতি, মে ০৮ (এজেন্সী):
থাংজ নুমিত্তা অন্ধ্র প্রদেশকী কাদাপা দিষ্ট্রিক্টতা জেলাটিন ষ্টিকশিং পোকখায়রকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই মাপল শিরে অমসুং অতৈ মীওই খরা অশোক অপন নংখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু শামিলাপালে ভিলেজ মনাক্তা লেবররশিংনা লাইমষ্টোন মাইন অমদা শীজিন্নগদবা জেলাটিন ষ্টিকশিং গাড়ী অমদগী থাংথরিঙৈদা থোকখিবনি। পোকখায়বগী শাফু অদু অদুক্কী মতিক কনখি মদুদি থৌদোক অদুদা শিখিবশিংগী হকচাংগী শরুকশিং পাক-শন্না চাইখি অমসুং গাড়ী অদু পূমকা কাখি।

লাইমষ্টোন মাইনগী রোকশিং থুগায়বদা শীজিন্ননবা ৱর্করশিং অদুনা জেলাটিন ষ্টিকশিংদু হোনখিবনি। মখোয় কালাসাপপু অমসুং পুলিভেন্দুলা মন্দলশিংগীদগীনি।

থৌদোক থোকফমদা পুলিস চঙশিনবগা লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক অশিবা হকচাংশিংদু পুখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে।

ক্বারি অদু এক্সপ্লোসিভস শীজিন্নবগী লাইসেন্স পায়ব্রা হায়বা খঙদোক্নবা মখোয়না হোৎনরি। জেলাটিন ষ্টিকশিং পোকখায়বদা লেবর কয়া শিখিবদুদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই এম জগন মোহন রেদ্দিনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। ইমুং মনুংদা থাবা মহাক্কী পাউজেলদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাকসু মখোয়গী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা সিনিয়র ওফিসলশিংদা থৌদোক অদুগী মতাংদা হংখি। পোকখায়বগী থৌদোক্তা মরাল লৈজদবা ৱর্কর কয়া শিখিবদা টি দি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন চন্দ্রবাবু নাইদুনসু থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা ভিজালতা বেজ তৌবা এল জি পোলিমর্সনা তৌখিবগা মান্ননা লৈখিদ্রবশিংগী খ্বাইদগী নক্নবা মরী-মতাদা এক্স-গ্রেসিয়া অমদি অতৈ মতেং খূদিংমক পীনবা মহাক্না দিমান্দ তৌখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা টি দি পিগী চীফ অসিনা ব্লাষ্ট অদুদা শোক্লবা খূদিংমক্তা মেদিকেল ক্যের মতিক চানা ফংহন্নবগী খোঙথাংশিং খূদক্তা লৌখৎনবা দিমান্দ তৌখি। চীফ মিনিষ্টরগী হৌরকফম দিষ্ট্রিক্টতা অসিগুম্বা থৌদোক থোক্তুনা মরাল লৈজদবা মীওই কয়াগী পুন্সি লোমখিবসি লাইবক থিবনি হায়না নাইদুনা ফোঙদোকখি।

# নোংশা অমোম অনী কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

লক্ষ্ণৌ, মে ০৮ (এজেন্সী):
হায়দরবাদকী জুদা থম্বা এসিয়াগী নোংশা মঙা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী ইটাৱা লাইওন সফারিদা লৈবা নোংশা অমোম অনীগী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরল্লে। টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরবা গৌরি অমসুং জেন্নিফর কৌবা নোংশা অমোম অনীদু আইসোলেসনদা থমখ্রে। সফারি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতুং ইন্না, নোংশা অমোম অনীমক নুংশাথীনিংঙাই ওইবা ফিভর চেন্দে।

ইটাৱা লাইওন সফারিগী দিরেক্টর কে কে সিংহগী মতুং ইন্না, নোংশা অমোম অনীমক এপ্রিল ৩০দগী ফিভম চেল্লকখি। নোংশা অমোম অনীমক্কী ঈ অমসুং অমাংবা সেম্পলশিং ইগজামিনেসনগীদমক্তা মে ৩ দা ভেটেরিনরি রিছার্চইন্সটিট্যুট (আই ভি আর আই), বরেলিদা থাখি। মে ৬কী নুমিদাংদা শা অনীমক কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈরে হায়বসি কনফর্ম তৌখি।

# দেল্লিনা পাক্তক্লনা ভেক্সিন কাপ্নবগীদমক শেম-শারি

ন্যু দেল্লী, মে ০৮ (এজেন্সী):
নেসনল কেপিটেল শীন-থুংনা পাক্তক্লনা ভেক্সিন কাপ্নবা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন্না কন্না শেম-শারি অমসুং থৌরাং অদুদা নোংমদা ভেক্সিন দোজ ৮০,০০০ দগী ৮৫,০০০ রোম মথৌ তাগনি হায়না দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, দেল্লীনা সেন্টরদগী সপ্লায় মতিক চানা ফংলবদি মথংগী থা অহুমগী মনুংদা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ মপূং ফাহনবগী পান্দমগা লোয়ননা কেপিটেল সিটি অসিদা ভেক্সিন কাপ্নবগী সেন্টর ৩০০ রোম লিংলে।

হৌজিক দেল্লীদা ভেক্সিনেসন সেন্টর ১০০ রোম মথৌ তৌরি। মথংগী নুমিৎ খরনি অসিদা অহেনবা সেন্টর ২০০রোম হাপচিল্লগনি। নেসনল কেপিটেলদা লৈরিবা মীওই ক্রোর ২ হেন্না ভেক্সিন কাপ্নবগীদমক থা অনীগী মনুংদা ভেক্সিন দোজ ক্রোর ৩ লোম মথৌ তাগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, হৌজিক ফাওবদা দেল্লীদা ভেক্সিন লাখ ৪০ রোম পীরক্লে। মথংগী থা অহুমগী মনুংদা অহেনবা দোজ ক্রোর ২.৬০ চঙলক্কনি। হৌজিক দেল্লীদা নোংমদা মীওই লাখ অমরোম ভেক্সিন কাপ্লি। মশিং অসি ঐখোয়না নোংমদা লাখ ৩দা হেনগৎহনবা য়াই। ঐখোয়না ভেক্সিনেসন মফমশিং হেনগৎহল্লে। অহেনবা সেন্টরশিং থুনা লিংলগনি।

ইন্দিয়াদা অহুমশুবা ৱেভ লাক্লগনি হায়না সেন্টরনা হান্না লাউথোকখ্রবনি। মরম অদুনা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা সিটি অসিগী সিটিজন খূদিংমক মথং থা অহুমগী মনুংদা ভেক্সিন কাপ্পা পাম্মী। দেল্লীদা ভেক্সিন মরাং কায়না পীরক্নবা ঐখোয়না সেন্টরদা হায়জরগনি।

পেন্দমিক্কী মথংগী ৱেভ লাক্ত্রিঙৈদা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা ইলিজিবল মীওই খূদিংমক ভেক্সিন কাপথোকপা পাম্মী হায়না কেজ্রিৱালনা মখা তাখি।

# হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা ওক্সিজেন সিলিন্দর য়ূমদা থিনবগী থৌরাং পায়খৎলগনি



চান্দিগর, মে ০৮ (এজেন্সী):
হরিয়ানাদা ওক্সিজেন ব্লেক মার্কেটিং তৌবা থিংনবা অমসুং ষ্টেট শীন-থুংনা ওক্সিজেন মওং-মরিল তানা ফংহনবা য়ানবা অথুবা মতমদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগীদমক্তা য়ূমদা ওক্সিজেন সিলিন্দর রিফিল তৌবগী থৌরাং অমা পায়খৎলগনি।

খুদোংচাবা অসি লৌনবগীদমক্তা পেসেন্ট অদুনা নৎত্রগা মহাক্কী ইমুংনা ওনলাইনদা এপ্লাই তৌগদবনি।

য়ূমদা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং রিফিল তৌবগী ইনিসিএটিভ অসিগা লোয়ননা মেদিকেল ওক্সিজেন মথৌ তাবা কোভিদ পেসেন্টশিংনা মখোয়গী থোঙ্গালদা লিক্বিদ ওক্সিজেন য়ৌহল্লকপগী খুদোংচাবা ফংদুনা মখোয়গী ইমুংশিংনা ওক্সিজেনগীদমক্তা কোইচে চেনবা অমসুং ক্য শাংনা লেপ্পা মথৌ তাররোই। থৌরাং অসিনা ব্লেক মার্কেটিংসু লাকশিনবা ঙম্লগনি।

মসিনা হোম আইসোলেসন তৌরিবা পেসেন্ট কয়া ময়ূমদা ওক্সিজেন ৱাৎতনা ফংহল্লগনি অমসুং হাই-রিস্ক কোবিদ পেসেন্টশিংগীদমক ওক্সিজেন সপোর্ট য়াওবা বেদশিংসু হোস্পিটালশিংদা কোমনা ফংহল্লগনি হায়না সিনিয়র এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।

খুদোংচাবা অসি লৌনবগীদমক্তা এপ্লিকান্ট অদুনা ওক্সিমিটরদা য়াওরিবা ওক্সিজেন লেভেলগী ফোটো অমসুং আধার নম্বর অপীবা পোর্টেলদা থাগৎকদবনি। পোর্টেল অদুদা পেসেন্ট অদুগী চহী অমসুং এদ্রেসসু শোয়দনা হাপকদবনি।

নোংমদা মোবাইল নম্বর অমদগী এপ্লিকেসন অমত্তমক থাবা য়াগনি। এপ্লিকান্ট অদুদা এস এম এসকী খূত্থাংদা অকূপ্পাশিং খঙহল্লক্কনি।

ওফিসর অসিনা হায়, ওক্সিজেন ফংদবগী প্রোব্লেম লৈরিঙৈসিদা কোভিদ পেসেন্ট কয়া হোম আইসোলেসন তৌরি অমসুং ওক্সিজেন মথৌ তাবদগী অমসুং অতৈ লায়না ক্যানসু পেসেন্টশিংবু ৱাহল্লি।

হৌজিক গুরুগ্রামদা সেন্টর তরুক্তগী ওক্সিজেন সপ্লায় তৌরি। পাটাউদি চোকতা লৈবা জি কে পাপ্লেজা, কালিঙ্গা এন্থর, কাদিপুরগী এস আর গোসেস, মানেসরগী এইয়র মেক্স সেক্টর-৮, ষ্টার গ্যেসেস সেক্টর-৭ অমসুং শ্রীরাজস্থান গ্যেসেস সেক্টর-৫ অসিনি।

গুরুগ্রামদা হৌজিক এক্টিভ কোভিদ পেসেন্ট ৩৯,০০০ অমসুং হোম আইসোলেসনদা ৩৬,৪৪৯ লৈ।

# উকিল মতৈ-মনাও হাৎপদা চেন্নবা ফারে

হায়দরবাদ, মে ০৮ (এজেন্সী):
উকিল মতৈ-মনাও অমা হাৎখিবদা চেন্নে হায়না থাজনরিবা পেদ্দাপালি জিলা পরিষদকী চ্যেরমেন পুট্টা মাধু থাংজ নুমিত্তা টেলঙ্গনা পুলিসনা ফাখ্রে। মহাক চয়োল অমরোম থীবা ফংলকখিদবনি। টেলঙ্গনা রাস্ত্র সমিথি (টি আর এস)গী লীদর অসি রামাগুন্দম টাওন পুলিসনা অন্ধ্র প্রদেশকী ভিমাভারামদগী পিকঅপ তৌখি। মহাক রামাগুন্দমদা পুখ্রে।

মহাক চয়োল অসিগী অঙনবদা লৌমীশিংগী লম খোপচিনবগী মরালদা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা ষ্টেট কেবিনেটতগী লৌথোকখ্রবা ইতালা রাজেন্দরগী খোঙলোই অমা ওইবনা ওইরক্লিবা খোঙথাং অসি মরু ওই হায়না লৌনৈ। হান্নগী মিনিষ্টর অসিগী লমগী দিলিংশিংগী মতাংদা শীজিন্নবা গভর্ণমেন্টনা ওর্দর তৌখিবদগী রাজেন্দরগা বিজনেসকী মরী লৈনৈ হায়নবা মাধু লোৎখিবনি।

মহাক হায়দরবাদতা লৈ অমসুং চীফ মিনিষ্টরগা উননবা হোৎনখি হায়বা রিপোর্ট কয়াসু ফোঙনখি। মহাক মীহাৎপগী কেস অদুগা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং তৌনবা ফারিব্রা নৎত্রগা রাজেন্দরগী মায়োক্তা চত্থরিবা ইনভেষ্টিগেসনগা মরী লৈননা ফারিবরা হায়বা খূদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

উকিল মতৈ-মনাও গাট্টু ভামন রাও অমসুং নাগামানিগী মীহাৎকী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা মাধুগী মিং চেন্নরকখি। হায় কোর্টকী উকিল মতৈ-মনাও অসি চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৭তা নুংথিল পোবোপ্তা তমথিনা হাৎখিবনি। শিরমদাইগী মতমদা ভামান রাওনা টি আর এসকী লোকল লীদর অমা ওইরিবা কুন্তা শ্রিনিবাসকী মিং পল্লমখি। পুলিসনা শ্রিনিবাস অমসুং মাধুগী মরী-মতা বিতু সীনু ফাখি।

# আই এম এনা হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী থৌওংশিং য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ০৮ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ পেন্দমিক শাথিরবা অনীশুবা ৱেভনা থোকহল্লিবা অৱাবগী মশক ওইরবা ক্রাইসিস থেংননবা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা মতিং ফুদোক্তুনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎতনা তূমীন্না লৈশিল্লি হায়রদুনা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ)না থাংজ নুমিত্তা সেন্ট্রেল দিপার্টমেন্ট অসিবু চৈ-থাংখ্রে।

আই এম এনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, হৌখিবা নুমিৎ ২০নি অসিদা এসোসিএন অসিনা হেল্থক্যের ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা অমসুং অহোবা চাওনা লৈরক্লবা মেটরিএল অমসুং মেনপাৱর অনীমক মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনবা য়ানবগী মতম ফংহন্নবা ষ্টেট খরনা নুমিৎ ১০নিদগী নুমিৎ ১৫ নি ফাওবা লোকদাওন লাউথোক্লবগী মহুত্তা মাঙজৌননা থৌরাং তৌদুনা অমসুং হান্না খঙহন্দুনা মপূং ফাবা নেসনল লোকদাওন লাউথোকপা মথৌ তাই হায়দুনা লাক্লি।

লোকদাওননা শাথিরবা লাইচৎ অসিগী চেইন থুগায়গনি হায়না আই এম এনা ফোঙদোকখি। এসোসিএসন অসি ইন্দিয়াদা মোদর্ন সাইন্টিফিক সিষ্টেম ওফ মেদিসিন প্রাক্টিস তৌরিবা নেসনল ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসন অমনি।

অদুম ওইনমক, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লোকদাওন ইমপ্লিমেন্ট তৌ য়াদবদগী নুমিৎ খূদিংগী অনৌবা পেসেন্ট লাখ মরি হেন্না থেংনরে অমসুং ময়াই ওইরপ্পা অমসুং শাথিবা কেসশিংগী মশিং চাদা ৪০ রোম য়ৌনা হেনগৎলক্লে। মচি-ময়াদা নাইট কর্ফিয়ু থম্বনা কান্নবা পুরকপা ঙমদে। মীওইবগী থৱায়না শেলদগী হেন্না মমল য়াম্মী হায়না আই এম এগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোরক্লি।

আই এম এনা মখা তানা হায়, সাইন্টিফিক ফেক্টশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা চহী ১৮ মথক্কী মীওই খূদিংমক অচান-মীরাই নাইদনা অমসুং শেল য়ারিমখৈ তিংহন্দনা এপ্রিল ৬তগী ভেক্সিন কাপ্পা হৌনবা আই এম এনা দিমান্দ তৌখি। মমৈথংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা থাজবা পীরবা মতুংদা মে ১দগী চহী ১৮ মথক্কী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পা হৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খিবদু নীংথিনা ইমপ্লিমেন্ট তৌদবা মতমদা মদুগীদমক্তা কনাদা মরাল শীগনি হায়নসু এসোসিএসন অসিনা হংলি।

ভেক্সিন ৱাৎহন্দনবা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা য়াম্না মরু ওইরিবা রোদমেপ য়াৎপা ঙমখিদবসি লাইবক থীবনি। মসিনা ভেক্সিনেসন চত্থরিবা মফম অয়াম্বদা চহী ১৮ মথক্কী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পা হৌবা ঙমহনখিদ্রে।

কোভিদ ভেক্সিনগী মমল তোঙান তোঙান্না লেপ্পা চুমদে হায়না পল্লদুনা আই এম এনা হায়, চহী ১৮ অমসুং ৪৫ মরক্কী মীওইশিং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী চাদা ৫০গী শ্যেরদগী ভেক্সিন লেম্না কাপ্পা থিংই। মখোয় ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী থৌজাল মখাদা ভেক্সিন কাপ্পগী ফিভম লৈহল্লি।

প্রাইভেট প্রাক্টিস্নরশিং অমসুং ষ্টেটশিংনা মমল অমসুং ভেক্সিন ষ্টোক্কী মতাংদা মেন্যুফেকচররশিংগা নেগোসিএসন তৌনবা মথৌ তাহনবা অসিনা ভেক্সিনগী মমল ৱাংহল্লি অমসুং কোন্নদবগী ফিভম লাকহল্লি।

কুমজা ১৯৯৭ অমসুং ২০১৪দা স্মোলপোক্স অমসুং পোলিও মুত্থৎপা ঙমখিবসি ভেক্সিনগী মমল তোঙান তোঙান্না লেপ্পদগী নত্তে, তৌইগুম্বসুং মীপূম তিংনা ভেক্সিন লেম্না কাপখিবদগীনি। ওক্সিজেনগী ক্রাইসিস নোংমা নোংমগী লুশিল্লক্তুনা ওক্সিজেন সপ্লায়দা অশোয়বা লৈবদগী নুমিৎ খূদিংগী মীওই কয়া শিরি। মসিনা পেসেন্টশিং অমসুং মীওই সেক্সন খূদিংমক্তা মীপাইবা পোকহল্লে। লৈবাক অসিদা ওক্সিজেন মরাং কায়না পুথোক্লবসু দিষ্ট্রিব্যুসনগী থবক অসি মওং মরিল তাহন্দে। শাথিরবা ক্রাইসিস অসি নুমিৎ ১৫নি শুরক্লবা ফাওবা গভর্ণমেন্টনা ইস্যুশিং অসি সোল্ব তৌনবা হোৎনদবদগী মীয়াম্না জষ্টিসকীদমক কোর্টকী মতেং লৌনরকপগা লোয়ননা জুদিসল এটিভিজমগী ট্রেন্দ লাকহল্লে।

আই এম এ অমসুং অতৈ প্রোফেসনল লার্নেদ কোলিগশিংনা হায়জখিবশিং অরেম্বা তাহল্লে অমসুং অসুক লুরবা ক্রাইসিস অসিগা মরী লৈনবা ৱারেপশিং লৈরিবা অশেংবা ফিভমশিং খঙনবা হোৎনদনা লৈরে হায়না এসোসিএসন অসিনা হেল্থ মিনিষ্ট্রিবু মরাল শীরদুনা ফোঙদোরক্লি।

# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 50,00,000+54,022 | 42,70,000+37,386 | 74,413+898 |
| Karnataka | 18,40,000+48,781 | 12,80,000+28,623 | 17,804+592 |
| Kerala | 18,20,000+38,460 | 14,20,000+26,662 | 5,682+54 |
| Uttar Pradesh | 14,50,000+27,763 | 11,80,000+33,117 | 14,873+372 |
| Tamil Nadu | 13,20,000+26,465 | 11,70,000+22,381 | 15,171+197 |
| Delhi | 12,90,000+19,832 | 11,80,000+19,085 | 18,739+341 |
| Andhra Pradesh | 12,50,000+17,188 | 10,50,000+12,749 | 8,519+73 |
| West Bengal | 9,54,000+19,216 | 8,18,000+17,780 | 12,076+112 |
| Chhattisgarh | 8,30,000+13,628 | 6,89,000+13,624 | 10,158+208 |
| Rajasthan | 7,21,000+18,231 | 5,16,000+16,930 | 5,346+164 |
| Gujarat | 6,58,000+12,064 | 5,03,000+13,085 | 8,154+119 |
| Madhya Pradesh | 6,49,000+11,708 | 5,47,000+4,815 | 6,244+84 |
| Haryana | 5,88,000+13,867 | 4,66,000+13,584 | 5,299+162 |
| Bihar | 5,67,000+13,466 | 4,49,000+13,489 | 3,139+62 |
| Odisha | 5,12,000+12,238 | 4,32,000+8,401 | 2,140+19 |
| Telangana | 4,87,000+5,559 | 4,13,000+8,061 | 2,666+41 |
| Punjab | 4,25,000+8,297 | 3,45,000+4,976 | 10,144+165 |
| Assam | 2,83,000+5,626 | 2,46,000+3,262 | 1,578+47 |
| Jharkhand | 2,76,000+5,973 | 2,11,000+5,293 | 3,615+136 |
| Uttarakhand | 2,30,000+9,642 | 1,59,000+4,725 | 3,430+137 |
| Jammu and Kashmir | 2,07,000+5,443 | 1,60,000+2,752 | 2,612+50 |
| Himachal Pradesh | 1,23,000+4,177 | 91,600+2,364 | 1,793+56 |
| Goa | 1,12,000+4,195 | 79,189+2,175 | 1,557+56 |
| Puducherry | 68,373+1,746 | 54,375+1,079 | 920+19 |
| Chandigarh | 48,442+890 | 39,388+797 | 549+8 |
| Tripura | 37,208+359 | 34,270+117 | 405+1 |
| Manipur | 34,333+600 | 30,378+83 | 449+2 |
| Arunachal Pradesh | 19,802+168 | 17,849+132 | 60+1 |
| Meghalaya | 18,927+297 | 16,262+176 | 199+6 |
| Nagaland | 15,580+309 | 13,025+120 | 122+1 |
| Ladakh | 15,023+114 | 13,471+145 | 152+1 |
| Sikkim | 9,451+268 | 6,893+124 | 160+2 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 8,596+94 | 7,135+218 | 4 |
| Mizoram | 7,382+235 | 5,459+108 | 17 |
| Andaman and Nicobar Islands | 6,311+56 | 6,030+72 | 72 |
| Lakshadweep | 3,629+152 | 2,493+134 | 9+1 |